# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.185 | ইরাই, লাংবন ১৮নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, September 28, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা পুলিসনা শংদুনা থোঙ হাংহল্লবা পেট্রোল পম্প অমদা মীয়াম্না পেট্রোল অমসুং দিজল হাপ্পনবা থৌরাং তৌবা



লামায় ১

আই সী দি এস প্রোজেক্ট হেংলেপকী এ দল্লিয়ু দল্লিয়ুনা শীন্দুনা হেংলেপ হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা নেসনল ন্যুট্রিসন মন্থ থৌরমগী শক্তম



আর পি এফকী লান্মী শঙলুপ পি এল এগী ৪০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ইম্ফালগী মফম অমদা থেৎলম্বা ষ্টার



মহৈরোয় লূপ তরুক্কী জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরদুনা ওফিসতা অহিং য়ারেকখিবা ইমপ্লোয়ীশিংদা অখন্নবা লাংলবা লঞ্চ পীজবগী শক্তম



লামায় ১

## সী এম : বন্দগী মায়োক্তা লেপ্পলসি

### চহী অসিগী সঙাই ফেষ্টিবেলদা থাইলেন্দগী প্রিন্সেস শরুক য়াগদৌরি




ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৭(ঐচএনএস): বন্দগী চৎনবী লৈহন্দনবা বন্দগী মায়োক্তা লেপ্পলসি, টুরিজম চাউখৎ-হল্লসি। চহী অসিগী সঙাই ফেষ্টিবেলদা থাইলেন্দগী নিংথৌ মচানুপী লাক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ৱর্ল্ড টুরিজম দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট টুরিজম দিভলপমেন্ট কাউন্সিল অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজম মণিপুরনা খূৎশম্ননা শীন্দুনা মার্জিং পোলো কমপ্লেক্স হৈঙাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, বন্দনা লমদমসিগী শেন্মীৎলোনদা চৈথেং পীবতা নৎতনা হীরম কয়াদা অপনবা ওইহল্লি। মপান লমগী মীনা উবদসু লমদমসিগী ওইনা ফজদবা মশক ওই। টুরিজম চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা ঈং-তপ্পা মফম অমা ওইহনবা চঙই। মণিপুরদা টুরিজমগী ফজরবা মফম কয়া লৈ। হৌখিবা থা খরা অসিদা ষ্টেটসিদা টুরিষ্টশিং লাকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলকখি। হন্দক এম য়ুগী ঈরাংনা মরম ওইদুনা বন্দনচিংবা কয়া তৌরকপা অসিনা টুরিষ্ট লাকপগী চাং হন্থে।

বন্দগী মায়োক্তা লেপ্পুনা ষ্টেটসিদা টুরিজম চাউখৎহন্নবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি। লৈঙাক্কী মায়কৈ-দগীসু টুরিজম সেক্টরদা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। টুরিজমদা অহোংবা কয়া অথুবদা উবা ফংলক্লগনি।

সঙাই ফেষ্টিবেলদা থাইলেন্দগী নিংথৌ মচানুপী লাক্লগনি। মণিপুরগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম অমদি মহৌশাগী ওইবা ফজবা কয়া অসিনা টুরিজম চাউখৎহনবদা য়াম্না মতেং ওইরিবনি। লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয়না মীয়োক মীচান ফজবা তাই। মপান লমদগী লাক্লিবশিংবু নীংথিনা লমজিং-লমতাকপীবা তঙাইফদে।

হৈঙাং চীংদা নোর্থ ইষ্টতা খ্বাইদগী ৱাংগদবা ইবুধৌ মার্জিংগী মীতম অমা খিল্লগনি। হায়রিবা মফম অসিদগী লাঙ্গোল ফাওবা রোপ ৱে শেম-গৎনবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর-ষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খূৎয়েক পীনরে। লাঙ্গোল চীংদা ইম্ফাল ভিয়ু টাৱর শেমগৎনবা চঙশিল্লি। লুপা ক্রোর ১৫ রোম চঙনা শেমগৎনবা ৱার্ক ওর্দর পীখ্রে। লাঙ্গোলদা শেমগৎকদৌরিবা ইম্ফাল ভিয়ু টাৱরদা ইম্ফালগী অকোয়বগী শক্তম উবা ফংগনি। লাঙ্গোলগী চীং অসিগা হৈঙাং চীংগা শম্ননা রোপ ৱে লাক্কদৌরিবা অসিসু টুরিজমগী য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইগদৌরি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদা রিছোর্স মরাং কায়না লৈত্রবসু টুরিজম চাউখৎপনা মরম ওইরগা নুংঙাই য়াইফবা লমদম ওইবা ঙম্মী। মণিপুরসু টুরিজম চাউখৎপা য়াবগী ওইথোকপা কয়া লৈরিবা অসি নীংথিনা শেমগৎপগা লোয়ননা লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয়নসু হীরম অসি চাউখৎননবা হোৎনমিন্নসি।

মোদর্ন পোলোগী হৌরকফম অসি মণিপুরনা ওইরি। হৈঙাংগী ইবুধৌ মার্জিংগী মফম অসি পোলোগা য়াম্না মরী লৈনবা মফম অমনি। মফম অসিদা টুরিজমগী য়াম্না মরুওইবা মফম ওইনা শেমগৎপা য়াগনি। কংলাদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা ইমপ্লোয়ীশিং কাজরগসু বেঙ্কশিংদি মথৌ তৌখিদ্রে

### পেট্রোল পম্পশিং থোঙ হাংনখি, থৌদোক ৱাথোক অমত্তা থোক্তনা বন্দ চত্থরি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৭(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মহৈরোয় লূপ তরুক্না কৌখিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক পামদবা থৌদোক অমত্তা থোক্তনা চত্থরি, বন্দ অসি হয়েং অহিং নোংয়াইদা লোইগদবনি।



লৈঙাক্কী অকনবা য়াথংনা মরম ওইরদুনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী অয়াম্বা ওফিস কানখি। ওফিস কাদবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়বা কিবদগী কয়া অমসু মনাক নকপা মফমশিংদা অহিং য়ারেক্লবসু য়াওখি। ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা অমসুং চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগীদমক্তদি অখন্নবা চাকলেন অমা ন্যু সেক্রেটরিয়েটকী ৱেষ্টর্ন ব্লোক্তা লাংখি। ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী ষ্টাফশিংসু চীফ সেক্রেটরি মশামক য়াওনা অচৌবা বফে লঞ্চ অমা শীল্লগা চামিন্নখি।

মমাংদা উখিদবা মতৌ অমদা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা পুলিসনা ঙাক্লগা পেট্রোল পম্পশিং হাংহনখি। ইম্ফাল মনুংদা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী থোক্লরকপগী চাং হন্থখি। অদুমওইনমক অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদদি পেসেঞ্জর গাড়ী চেনবা উখি। মরুওইনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদদি জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগী মমি অমফাওবা তাখিদে।

লৈঙাক্কী অকনবা য়াথংনা মরম ওইরদুনা পেট্রোল পম্পশিং থোঙ হাংলগসু ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিগী মশক ওইরিবা বেঙ্ক অয়াম্বা থোঙ হাংনখিদে। মসিনা মরম ওইরদুনা লল্লোন ইতিক তৌজরিবা মীয়ামদা শাথীরবা চৈথেং ফংখি।

পাওনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলদা অয়ূক অঙনবদা দুকান খরা হাংনবা উখি। পুলিসনসু দুকান থোঙ হাংহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি যোগেশচন্দ্র হাওবিজম মশামক য়াওনা দুকান হাংহন্নবা হোৎনখি।

লম্বী অমত্তদা বন্দ ব্লোকেদ তৌবা মীওই থোক্লরকপা উখিদে। গাড়ী চেনবগী চাংসু শাথীনা হন্থখি। লম্বীদা টায়র পৈশিল্লগা মৈ থাবা, নুঙ পৈশিনবা অমসুং মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী থিংবনচিংবা অমফাওবা তৌখিদবা মরম্না অনৌবা বন্দগী শক্তম অমনি হায়না লৌবা য়াই।

মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা বন্দ ব্লোকেদ লৈহন্দনবগী খোঙথাং অমনি হায়না লৌরবসু এম য়ুগী মতাংদা মহৈরোয় লূপ তরুক্লা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা মহৌশাগী ফীভমদা শাথীনা কায়হনখি। লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী মহৈ তম্ফম শঙ খূদিংমক থোঙ হাংনখিদে। অদুম ওইনমক বস খরদি চেনবা উনখি।

## জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরিবসি লৈঙাক্লা চত্থরিবা থৌওং কয়া অসিননি : মহৈরোয় লূপশিং

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৭(ঐচএনএস): জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরিবা অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চত্থরিবা থৌওং কয়া অসিননি হায়বা মীয়াম্না ৱাখল তাবীয়ু হায়না মহৈরোয় লূপ ৬না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মহৈরোয় লূপ তরুক মথংশিংনা দেসাম, এইমস, এমসু, কে এস এ, এম এস এফ অমদি সুকনা পূন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক অমগী অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা খ্বাইদগী ৱাংলবা মহৈলোয়শঙ অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা চহীসিগী মে ৩০ দগী এম য়ু কম্যুনিটিনা ভি সী পান্দেগী মতাংদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা মহৈরোয় লূপ তরুক্লা কুপ্না য়েংদুনা লাকখি। থা অসিগী ২০ অমদি ২১গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা এম য়ু কেম্পসতা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অমা চত্থদুনা পেরামিলিটরি ফোর্স অমদি মণিপুর পুলিস কম্মান্দো থাজিন্দুনা মশীং থীঙমদ্রবা টিয়র গ্যাস সেল, রব্বর বুলেট, মোক বোম অমদি নোংমৈ ফাওবা কাপ্পুনা এগজামগী থৌরাং তৌজরিবা মহৈরোয় অশোক-অপন নংহনবা, ফাজিনবা অমদি এফ আই আর পানবা অসি মহৈরোয়শিংগী রাইট খোঙ্গাউনবনি। থৌদোক অসিনা সাইকোলোজিকেল ফিয়র, মেন্টেল দিসওর্দর অমদি ট্রোমা লৈহন্দুনা মহৈরোয় খুন্নাইদা দিক্টেটরিএল লৈঙাক্কী মমি অমা চত্থখিবা অসি মালেমগী মীওইবা খুন্নাইনা য়াবা ঙল্লোইদবা অদু উথোরকপনি।

এম য়ুগী ৱাথোক অসিদা সী এমনা মহৈরোয় লূপশিংগী অমদি এম য়ু কম্যুনিটিগী অপাম্বা করিনো হায়বসি তশেংনা খঙলবনি। হঞ্জিন-হঞ্জিন ফল তাদ্রবা, তাসু তাররোইদবা অঙ্ক হোৎপসি কান্নগদৌরিব্রা হায়বা ৱাফম লাক্লি। ৱারী শানবনা ৱারোইশিন পুরকপগী ওইথোকপা মতম হৌখ্রে। থবক্লা ওইনা উৎপা মথৌ তাই। দিল্লি লৈঙাক্কী য়াকা য়েংদুনা লৈবাক ঙাক্লবা হোৎনবদি অচুম-অরান খঙ-শিন্নদনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## দিল্লিদা মণিপুরী ১না সিক্যুরিটি গার্দ অমা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭(এজেন্সি): সাউথ দিল্লিগী সফদরজং এনক্লেভতা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা সিক্যুরিটি গার্দ ১ মণিপুরদগী হৌখিবা মীওই অমনা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে।

ইম্ফালদগী হৌজিক্লা সফদরজং এনক্লেভকী হুমায়ুনপুরদা লৈবা মীওই অদুনা সিক্যুরিটি গার্দ অদু মহাক্লা হান্না নীংঙাই-শংদানখিবা ওটোরিক্সো দ্রাইভর অমা ওইরবোই নীংদুনা থাঙনা থীনখিবনি হায়না পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

রাম বাহাদুর কৌবা সিক্যুরিটি গার্দ অদু লৈপাকপোকপা অমসুং য়ুমশকৈশা নুমিৎকী লোন্নবা অহিংদা ওক্টোরিক্সো অমদা পোত্থারগা লৈরিঙৈদা এটেক তৌখিবনি হায়রি। সফদরজং এনক্লেভকী কলোনি অমদা ৱাটচমেন অমা ওইনা থবক তৌবা বাহাদুর এইমসকী ট্রোমা সেন্টরদা পুখৎখি অদুবু মহাক্কী অশোকপদু মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদবদগী লৈখিদবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থীজিনখিবগা লোয়ননা পুলিসনা মণিপুরগী কেপিটেল ইম্ফালদগী লাক্লগা হৌজিক্লা হমায়ুনপুরদা লৈবা বেঞ্জিবু ফাখি। একুজ অদু কম্পিটিটিভ ইগজামগীদমক শেম শারিবা মীশক অমনি হায়রি।

ইন্ট্রোগেসন তৌবদা একুজ অদুনা পুলিসতা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## সুপ্রিম কোর্ট : য়ুম্বাল্লবা মতুংদা অতোপ্পগা অরোনবা য়ুম্বানবগী মরী থম্নবা ক্রাইম নত্তে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭(এজেন্সি): সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী সেক্সন ৪৯৭ কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈ হায়না ৱায়েল পীখ্রে। চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রানা হায়খি, য়ুম্বাল্লবা মীওইশিংনা অতোপ্পগা অরোনবা মরী থম্নবা ক্রাইম নত্তে। অদুমওইনমক থৌওং অদুনা মরম ওইরগা মপুরোইবা নৎত্রগা লোইনবী সুইদাইদ তৌদুনা শিবা তারবদি ক্রাইম ওইনা লৌগনি।

আই পি সীগী সেক্সন ৪৯৭ পু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙ-দোক্লদুনা চীফ জষ্টিসনা হায়খি, য়ুম পাল্লবা মতুংদা অতোপ্পগা অরোনবা মরী থম্নবনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপগা লোয়ননা মতৈ-মনাও খাইনবগী ফিভম লাকপা য়াই। অদুমওইনমক এদল্টরিবু ক্রাইম ওইনা লৌফম থোক্তে। এদল্টরিনা মরম ওইরগা মপুরোইবা নৎত্রগা লোইনবী মশা মথন্তা শিজবা থোক্লবদি অরোনবা মরী থম্নরুরিবা নুপা নৎত্রগা নুপী অদু চহী ১০ ফাওবা জেলদা থম্বগা লোয়ননা ফাইন থীহনবা য়াই।

জজ মঙাগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা হায়খি, চহী ১৫৮ শুরবা আই পি সীগী সেক্সন ৪৯৭না নুপা অমসুং নুপীদা চপ মান্নবা রাইট ফংহনদ্রে। সেক্সন অসিনা হায়রিবদি মপুরোই-বনা অতোপ্পা নুপীগা অরোনবা মরী থম্নরকপদা লোইনবীনা লোগী ওইবা থবক অমত্তা লৌখৎপা ঙমদে। অমরোমদা লোইনবীনা অতোপ্পা নুপাগা অরোনবা মরী থম্নরকপা মতমদদি মপুরোইবনা লোগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা ঙম্মী। মরম অদুনা আই পি সীগী সেক্সন ৪৯৭ অমসুং ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদকী সেক্সন ১৯৮ বু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈ হায়না লৌফম থোকই। নুপা অমদি নুপীদা চপ মান্নবা মীৎয়েং থম্ফম থোকই হায়না চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রানা লুচিংবা জষ্টিস আর এফ নারিমান, জষ্টিস এ এম খানৱিলকর, জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমদি জষ্টিস ইন্দু মলহোত্রাগী বেঞ্চনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৮১.২২

দীজল : লিটরদা লুপা ৭২.৪০

### HL POLL

Q : Maheiroi lup 6 ki general strike mapung fai haina louba yabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : CM na mayai kaba chinjak mei thabagi thouram yaoshinbasi achumba khongthang ni haina khanbra?

Yes 47% No 53%

### অস! লোইরেহে!

ঐগী নুপীদু বন্দগী ওফিস কানবা অহিং য়ারেকখিবনি হল্লক্রে...!



সর্জিকেল ষ্ট্রাইক তৌরগা থিসি...!

## ‘সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং থবক্তা ওন্থোক্কদবনি’

ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর ২৭(ঐচএনএস): মণিপুরদা চত্থখিবা এক্সট্রা জুদিসল মীহাৎশিংগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্তবগী মতাংদা ৱর্ল্ড ওর্গনাইজেসন অগেনষ্ট টোর্চরনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমদা মীওৎ-মীনৈ চত্থবা থিংনবগী মতাংদা লৈরিবা খ্বাইদগী চাউবা ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সুপ্রিম কোর্টগী ৱায়েল মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকপগা লোয়ননা ভিক্তিম, ৱিটনেস অমদি হ্যুমেন রাইটস ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্তুনা পূন্না হিংমিন্নবা মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৭(ঐচএনএস): খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লদুনা পূন্না হিংমিন্নবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপনা লমদম অসিদা চাউখৎপা পুরকপা ঙমগনি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙরাং উখুল দিষ্ট্রিক্টকী তুলুইদা পাঙথোকখিবা ট্রাইবেল দান্স অমসুং ম্যুজিককী ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

জে এন দান্স একাদেমি, তুলুই রৈসাং য়ুঠ ক্লব অমদি য়ুনাইটেদ ওল মণিপুর কম্যুনিটিজ সোসল অপলিফটর কংলৈপাক্লা খূৎশম্ননা শীন্দুনা য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি হায়বা ৱাখল্লোনদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিবেল অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ট্রাইবেল দান্স এন্দ ম্যুজিক ফেষ্টিবেল অসিনা ঐখোয়গী মরক্তা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙমহল্লগনি। খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্তুনা অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন শাগৎপনা লমদম অসিদা অপূনবগী পাঙ্গল অমদি চাউখৎপা পুরকপা ঙমগনি।

মীওইবা ঐখোয়না চৎলিবা তোঙান-তোঙানবা লাইনিং-লাইশোলশিং অদুগী মথক্তা লাইনিংদুগী ওইবা নুংগী ৱাখল্লোন অমমম্ লৈ। মসিনা লাইনিং লাইশোল অদুগী অশেংবা শক্তম অদুনি। নাৎ, চৎনবী, শান্ন-খোৎনবা অমদি মহৈ-মশিন নীংথিনা তম্বা অসি পূন্না চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। নাৎ, চৎনবী হায়বসি মাংলমচৎতগী ঐখোয়গী লূ-তোংদা য়াওরক্লবা অমনি। খুন্নাই অসিদা হৌজিক লৈরিবা নাৎ, চৎনবী পূম্নমক অসি ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্বনা হৌজিক্কী মীরোল অসিনা ঙাক্তুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা হিল চোর মঙাসু খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী আর্টিষ্টশিং য়াওনা তোঙান ...মখা লামায় ৩ কলম ২

*অঈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কায়থরকপগী মহয়*

## লৌফম অয়াম্বা ঈশিং কংখ্রে, ফৌ শাৎপা ঙম্লরোই

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৭(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ঈরাংনা মরম ওইরদুনা মীয়াম পূম্নমক কঙাওননা লৈরিঙৈদা মণিপুরগী মহৌশাগী খল কায়থরকপা, অঈং-অশা, নোংজু-নুংশা নোংদম নাইরক্তবনা মথং চহীদা চাক তাঙবগী তমথীরবা অৱাবা অমা মায়োক্লবা য়াবগী ফীভম য়ৌরক্লে।


ইঙা-ইঙেনগী মীৎ-মায় পাংবা ঙমদবমখৈ চুরম্বা নোং চুখিদ্রে। অহিং অমখক নোং চুবদা শাথীরবা ঈচাও থোকখিবা অদুগী মতুং তারকপদা মখা তানা হৌজিক ফাওবা নোং তারকখিদ্রে। থৱান থাগী চেনচু চুবা নোং লেপখ্রে, লাংবন ইখোম্বগী



ঈশিং ঈচাও লাকখিদ্রে। নোং চুরক্তবনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী লৌফম অয়াম্বা লৈক্রক চৎলে।

ফৌ পান্বীগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙলবা রিছার্স স্কোলার অমনা পাউচে অসিদা হায়, লৌবূক্তা ঈশিং মরিক অমফাওবা লৈত্রবা, লৈক্রক চৎলবা লৌফমদা ফৌ শাৎপা ঙম্বগী মতিক-ময়াই লৈতে। মরম অদুনা লৈক্রক চৎলবা লৌফমশিং অসিদা ফৌ পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা থম্বা য়াররোই। হৌজিক্কী মতমসিদা নোং চুরক্লগসু ফৌ পান্বীশিং অসি শাৎপা ঙমখিগদ্রা হায়বা থাজবগী ৱাংমদা লৈরে। হৌজিক মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা নুমিদাং অমসুং অয়ূক্তা লৈচিল থারে। দিগ্রী সেলসিয়স ১৮গী মখাদা ঈংথরকপা মরম্না ফৌ শাৎপা ঙমগনি থাজদ্রে।

ষ্টেট অসিগী লৌ উনরিবা লৌফম অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৬


HL-B/4887/28,29,30/9




HL-B/4875/21/09-20/10